# কার বোম পোকখায়বদা মীচম ১০ য়াওনা ৩০ শোক্লে, বাইদেননা দোহা এগ্রীমেন্ট ইকায়খুম্নগদবনি : টালিবান



কাবুল, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : অফঘানিস্টানগী কান্দাহার প্রোভিন্সতা কার বোম অমা পোককায়হন্দুনা চথুরকখিবা এটেকতা মীচম ১০ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শোক্লে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

টোলো ন্যুজনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা হায় হায়না পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা কার বোম পোকখাইবগী থৌদোক্তু নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবদা প্রোভিন্স অদুগী মাইৱান্দ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পুলিস হেদক্কার্টরসকী মনাক্তা থোকখিবনি। এটেক অদুগী মতাংদা টালিবান য়াওনা হৌজিক ফাওবদা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

কান্দাহারদা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং টালিবানগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা হেনগৎলকপদগী মীচম মীয়াম ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নবা য়াওনা অৱাবা কয়া মায়োক্ল রিঙৈদা প্রোভিন্স অসিদা ইনৌ নৌনা কার বোম এটেক অসি চথুরক্লিবনি।

কান্দাহারগা লোন্নরিবা হেলমন্দ প্রোভিন্সতসু হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং টালিবানগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না দোহাগী পিছ টোক্স খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদবদগী হৌখিবা থা অহুম অসিদা অফঘানিস্টানদা টালিবানগা মরী লৈনবা মীশি-মীনা অমদি মাঙহন-তাকহনবগী থৌদোকশিং হেনগৎলকখি।

হাৎন-শুনবগী ঈরাং লেপ্তুবা অসিনা অফঘান পিছ প্রোসেসতা অকায়বা চাউনা পীরে হায়না অফঘানিস্টান্দা লৈরিবা য়ু এস অমসুং নাটো ফোর্সশিংগী কম্যান্দর জেনরেল স্কোট মিল্লরনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, টালিবান্না হায়খ্রে মদুদি, য়ু এসকী প্রসিদেন্টকী মীখলদা মায় পাক্লবা জো বাইদেননা দোহা এগ্রীমেন্ট ইকায়খুম্নগদবনি। এগ্রীমেন্ট অসি মীওই অমখক্কা য়ানরগা পুরকখিবা নত্তে, অমেরিকান গভর্ণমেন্টকা য়ানরগা পুরকখিবনি হায়না গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখি।

মীদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা টালিবানগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি, নৌনা লৈঙাক্কী পাৱর পায়রক্কদৌরিবা য়ু এসকী অচৌবা এদমিনিষ্ট্রেসননা এগ্রীমেন্ট অদুবু ইকায়খুম্নগদবনি। বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসননা দোহা পিছ প্রোটোকোলশিং ঙাক্লা চৎকনি হায়না টালিবান্না থাজবা থল্লি হায়না গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেন অদুনা ফোঙদোকখি।

পুৱারীদা লৈহৌরগদবা খোঙথাং অমদা টালিবান্না চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৯দা য়ু এসকা পিছ দিল অমা খূৎয়েক পীনখি। দিল অসিদা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা অফঘানিস্টান মনুংদা লৈরিবা অমেরিকান ফোর্সশিংদা এটেক তৌবা য়াদবগী ৱাফম য়াওরিবনি। অমরোমদা, এগ্রীমেন্ট অসিগী মতুংইন্না অমেরিকান ত্রুপশিং দোহা এগ্রীমেন্ট চৎনবা হৌখিবদগী থা ১৪গী মনুংদা অফঘানিস্টান থাদোক্কদবনি।

চৈরকসিদা, বাইদেনগী অফঘানিস্টান পোলিসিদি খরা শাথীরকপা য়াই হায়না পোলিটিকেল এনালিষ্ট খরনা থাজরি।

# প্রাইম মিনিষ্টরনা মিলিটরি লাঞ্জং কনশিনহনখিবদগী ইথিওপিয়াদা সিভিল ৱার থোক্লকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলক্লে



অদিস অবাবা, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী): লো এনফোর্সমেন্ট ওপরেসন অমগী শরুকনি হায়দুনা এয়র ষ্ট্রাইক কয়াগা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা টিগ্রে লমদমদা মিলিটরি লাঞ্জং কনশিনহনখিবগা লোয়ননা অফ্রিকাগী অনীশুবা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার থোক্লকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলক্লে হায়রি।

টিগ্রেগী লুচিংবশিংগা ৱারী শাননবা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং লমদম অদুদা লৈরিবা মীচংশিংনা তকশিল্লকখিবা ৱাফম অদু প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা য়াখিদে। পনবা য়াবদি, টিগ্রে অসি অবিনা কুমজা ২০১৮দা লৈঙাক্কী পৱার পায়রক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ফেদরেল গভর্ণমেন্টপু দোমিনেট তৌখিবা ইথনিক গ্রুপনা খুন্দারিবা লমদমনি।

লমদম অদুগী লুচিংবশিংবু শৌগৎপা ফোর্সশিংনা মিলিটরি বেজ অমদা এটেক তৌদুনা খূৎলায় লৌনবা হোৎনখি হায়রদুনা অবিনা হৌখিবা চয়োলদা প্রোভিন্স অদুদা মিলিটরি কেম্প্যেন অমা হৌখি।

অবিনা টিগ্রেগী লুচিংবশিংবু দেমোক্রেটিক রিফোর্মশিং অরেম্বা তাহন্নবা শিল্লি হায়না মরাল শীরি। অসুম্না অবিনা ফোংনা মরাল শীখিবদগী গভর্ণমেন্টকী ফাইটর জেটশিংনা সুদান অমসুং ইরিত্রিয়াগা লোন্নরিবা লমদম অদুগী টার্গেটশিংদা বোম থাদদুনা লাকখি। লমদম অদুগী মফম কয়াদা কন্না খূৎ থোক্লুরে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা এইদ-ৱার্করশিংনা ফোঙদোকখি। মখোয়গী মতুংইন্না য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়া অমা অশোক অপন নংখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা নোংমাইজিং নুমিৎতা অনৌবা আর্মি চীফ, অনৌবা ইন্টলিজেন্স, অনৌবা ফেদরেল পুলিস কম্মিস্নর অমসুং অনৌবা ফোরেন মিনিষ্টরগী মীংশিংসু লাউথোকখি। ফমগী অহোংবশিং অসিগা লোয়ননা মুক্লবগী ফীভম কনশিল্লকপদগী নকশিন্নবা মীচংশিংবু অচৌবা ফমশিং অসি পায়হল্লক্লিবনি হায়না এনালিষ্টশিংনা থাজরি।

প্রাইম মিনিষ্টর অবিনা য়ুমথংনরিবা ইরিত্রিয়াদা মরা তপ্পা ফীভম লাকহনখিবগা লোয়ননা অফ্রিকাগী খ্বাইদগী শাথীবা শুপ্ন মগী লৈঙাক লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইথিওপিয়াদা দেমোক্রেটিক রিফোর্মশিং পুরকখিবগীদমক্তা হৌখিবা চহীদা নোবেল প্রাইজ পীদুনা ইকায়খুম্নখি।

তৌইগুম্বসুং টিগ্রেগী কনফ্লিক্ট অসিনা মহাক্লা লৈবাক অদুগী অমসুং লমদম অদুগী মীয়ামদা ৱাশকখিবা দেমোক্রেটিক ত্রাঞ্জিসন খুদোংথীবা মায়োক্লরক্লে হায়না ইন্টরনেসনল ক্রাইসিস গ্রুপ হায়বা থিঙ্ক-টেঙ্ক অসিনা হৌখিবা চয়োলদা ৱার্নিং তৌখি। টেলিভিজনগী খূত্থাংদা ৱা ঙাঙলদুনা অবিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা টিগ্রেয়ান লুচিংবশিংনা তৌরিবা লোনা য়াদবা থবকশিং খঙজিন্নবা আপিল তৌখি।

অমরোমদা, টিগ্রেয়ানশিংনদি মমাঙগী রাইট খোঙ্গাওনখিবা থৌদোকশিং অমসুং করপসনগা মরী লৈননা ইথিওপিয়াগী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা ওরোমো ইথিনিক গ্রুপকী মীওই অমা ওইরিবা অবিনা মখোয়দা ফজদবা মওংদা টার্গেট তৌই হায়না মরাল শীরি।

# ইস্লামিক ষ্টেটকী এটেক্তা ইরাক্তা মীওই ৪ শিরে, ৩ শোক্লে

বাঘদাদ, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী): ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) না বাঘদাদ সিটি মনাক্তা চথুরকখিবা এটেক অমদা মীওই ৪ শিরে অমসুং অতৈ অহুম্না শোক্লে হায়না ইরাকি মিলিটরিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা অল-রাদৱানিয়া এরিয়াদা সাহৱা হায়না খঙনবা গভর্ণমেন্টনা শৌগৎপা পেরামিলিটরি সুনি গ্রুপ অমগী মীওইশিং থল্লিবা মিলিটরি পোজিসন অমদা আই এস মিলিটেন্ট অহুম্না এটেক তৌখিবগা লোয়ননা থোকখিবনি হায়না জেইন্ট ওপরেসন কম্যান্দ (জে ও সী) গী মিদিয়া ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৭কী অথেংবা শরুক্তা ইরাকি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটপু মপূং ফানা মায়থীবা পীখিবদগী লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎলকখি।

অদুম ওইনমক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা তকথোকপদা খাংজিনদুনা লৈহৌবা আই এসকী মীওই কয়া সিটিগী মফম কয়া, লৈকংলাশিং অমসুং চীং-মান্নচিংবা মফমশিংদা লোৎতুনা লৈখি। মখোয়না সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মীচমশিংদা গুরিলা এটেকশিং তৌইনা চথুদুনা লাক্লি।

# ম্যান্মারদা সু চিগী পার্টিনা মীখলদা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌখ্রে

য়াঙ্গোন, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী): ম্যান্মারগী রুলিং পার্টিনা মথংগী গভর্ণমেন্ট শেম্নবা পার্লিয়ামেন্টকী সিট মতিক চানা ফংলে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ক্লেম তৌখ্রে। মিলিটরি লৈঙাক লোইখিবা মতুংদা পাঙথোক্লিবা লৈবাক অদুগী অনীশুবা জেনরেল ইলেক্সনগী পাউ অসি ওফিসলদি ওইদ্রি।

রুলিং পার্টি নেসনল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) গী স্পোক্সমেন ম্যো ন্যুন্টনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, ইলেক্সন কম্মিসন্না ওফিসল রিজল্ট লাউথোরক্ত্রিবা ওইরবসু ওংসান সু চিনা লুচিংলিবা পার্টি অসিনা গভর্ণমেন্ট শেম্বদা চঙগদবা পার্লিয়ামেন্টকী সিট ৩২২ ফংলে হায়বসি ইন্টরনেল রিপোর্টশিংনা উৎলে।

ফীভম অসি লাকহন্নবগীদমক্তা ঐখোয়না মীয়াম্বু থাগৎলি। মীয়ামগী অমসুং পার্টিগী ওইনা মসি পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা ইলেক্সন রিজল্টনি হায়না পার্টিগী স্পোক্সমেন অসিনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল রিজল্টশিং ইলেক্সন কম্মিসন্না নিংথৌকাবগী অথেংবদা লাউথোকপা হৌরকপা য়াই হায়না থাজনরি। নোংমাইজিং নুমিৎকী মীখল অসি সু চিনা লুচিংবা মপূং মরৈ ফাগদবা ৱাৎলিবা দেমোক্রেটিক গভর্ণমেন্টকী রেফরেন্দম অমনি হায়না লৌনরি। মশীং য়ামদবা রোহিঞ্জা মুসলিমশিংবু পাক্তক্লনা হাৎখি হায়না মরাল শীবা লৈবদগী মালেম লৈবাকশিংগী মমাঙদা মীংচৎ হন্থরকপগী মওং উরবসু সু চিগী এন এল দি অসি ম্যান্মারদদি হৌজিকসু মীয়াম্না পাম্নরি।

মীখল পাঙথোক্লিবসিদা মেম্বর ৪২৫ লৈবা লৱার হাওসকী সিট ৩১৫ অমসুং মেম্বর ২১৭ লৈবা অপ্পর হাওসকী সিট ১৬১ ফংগদবনি, মেজোরিটি ফংনবা।

পার্টিগী এজেন্টশিংনা লৈবাক অসিগী পোলিং ষ্টেসনশিংদগী পীরকপা রিপোর্টশিংদগী খোম্বা দেটাগী মতুংইন্না এন এল দিনা হন্দক্কী মীখল অসিদা ফংগদৌরিবা সিট মশীং অসি পার্টি অসিবু পাৱর পায়হল্লকখিবা কুমজা ২০১৫গী মীখলদা ফংখিবা অপূনবা সিট মশীং ৩৯০দগী হেনগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ম্যো ন্যুন্টনা ফোঙদোকখি।

মীখলগী রিজল্টকী মতাংদা অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা পার্টি ওইরিবা মিলিটরিনা শৌগৎলিবা য়ুনিয়ন সোলিদরিটি এন্দ দিভলপমেন্ট পার্টি (য়ু এস দি পি) গী মায়কৈদগী করি লৈবগে হায়বা খঙবা ঙমখিদে।

ম্যান্মারবু চহী ৫০ লোম লৈঙাক্লকখিবা লৈবাক অসিগী মিলিটরি কুমজা ২০১১দা সিভিলিয়ন পোলিটিক্সতগী হন্দোকপা হৌখ্রে। অদুম ওইনমক মখোয়না শেমখিবা কন্সটিটুএন্সি অমগী মখাদা হৌজিকসু পার্লিয়ামেন্টকী হাওস অনীমক্কী অপূনবা সিটকী শরুক মরি থোকপগী অমদি মিলিটরিনা কন্ট্রোল তৌরি। সু চি অমসুং মহাক্কী মীচংশিংনা কন্সটিট্যুসন অসিবু শেমদোকপা পাম্লি।

# বাইদেননা কোরোনাভাইরস টাস্ক ফোর্সকী মীফম কৌখ্রে



ৱাশিংটন, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মীখলদা মায় পাক্তুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরগদবা জো বাইদেননা কোরোনাভাইরস টাস্ক ফোর্স অমা শেমখিবগা লোয়ননা মহাক্লা লাক্লিবা জন্যুৱারীদা ওফিস পায়রকপা মতমদা মায়োক্লরক্কদৌরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা প্রোব্লেম ওইরিবা কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কী মরমদা খন্নবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা টাস্ক ফোর্স অসিগী মীফম কৌখ্রে।

অমরোমদা, প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মখা তানা ওফিস পায়বা য়াগদ্রা হায়বা ৱাখলদা পান্থে কয়া য়েংবা লেপত্রি।

প্রসিদেন্ট ইলেক্ট বাইদেননা হান্নগী সর্জন জেনরেল ভিভেক মুর্থি অমসুং হান্নগী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন কম্মিস্নর দেভিদ কেস্লরনা লুচিংবা এদভাইজরি বোর্দ অমগা মীফম পাঙথোক্তুনা হৌজিক ফাওবদা অমেরিকান ২৩৭,০০০ হেন্না শিহনখ্রবা পেন্দমিক অমবু খ্বাইদগী মহয় য়ানগদবা মওংদা করম্না থেংনগদগে হায়বদু খন্নগনি। মদুগী তুংদা হান্নগী দেমোক্রেটিক ভাইস প্রসিদেন্ট অসিনা কোভিদ-১৯ থেংনবা অমসুং শেল-থুমগী ফীভম নৌনা শেমগৎ শাগৎপগা মরী লৈনবা মহাক্কী থৌরাংশিংগী মরমদা মহাক্কী হোম ষ্টেট দেলাৱেয়রগী ৱিলমিংটন্দা ৱা ঙাঙগনি। মীখলগী কেম্প্যেন মনুংদা অয়াম্বা মতমদা মহাক্লা ত্রম্পকী কোরোনাভাইরস থেংনবগী থৌওংবু কন্না য়ানীংদবা উৎখি অমসুং মহাক্লা লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা পায়খৎলিবা থৌরাং মায় পাক্লবা সাইন্টিষ্টশিংগী পাউতাক তাগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখি।

পেন্দমিক অসিগী মতাংদা ত্রম্পনা মকোক থোংবা হেল্থ ওফিসলশিংগা তোয়না য়েৎনখি। ওক্টোবর ২০গী মতুংদা অহানবা ওইনা ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হ্বাইট হাওসকী কোরোনাভাইরস টাস্ক ফোর্সকা মীফম পাঙথোক্কনি। নবেম্বর ৩দা মীখল পাঙথোকখ্রবা মতুং নুমিৎ মরিনি লৈরগা হায়বদি থাংজ নুমিৎতা ইলেক্টরেল ভোট মশীং ২৭০ হেন্দুনা বাইদেননা প্রসিদেন্সি পায়বা ঙমখি।

মহাক্লা ত্রম্পপু লৈবাক পূম্বগী ওইনা ভোট মশীং মিলিয়ন ৪ হেন্দুনা মায়থীবা পীখি। অসুম্না ত্রম্পনা কুমজা ১৯৯২গী মতুংদা রি-ইলেক্সন্দা মায়থীবা অহানবা প্রসিদেন্ট ওইখি। তৌইগুম্বসুং ত্রম্পনা মীখলদা মায়থীবা নংবগী ৱাফম হৌজিক ফাওবা য়াদবগা লোয়ননা ইভিদেন্সতি য়াওদনা মীখলদা নমথাক্কী থৌওং কয়া চথুখি হায়রদুনা মফম কয়াদা লোসুটশিং ফাইল তৌদুনা লাক্লি।

# ত্রিপুরাগী জর্নেলিষ্টশিংনা সী এম বিপ্লাব কুমার বোয়কোট তৌখ্রে

অগরটালা, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী): ত্রিপুরাগী কমালপুরদা জর্নেলিষ্টশিংনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লাব কুমার দেব বোয়কোট তৌখ্রে। ষ্টেট অসিগী মীদিয়াগী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিংদা এটেক তৌবা হেনগৎলকপগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরদুনা জর্নেলিষ্টশিংনা চীফ মিনিষ্টরবু বোয়কোট তৌখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর বিপ্লাব কুমার দেব প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়ানবগীদমক্তা থাংজ নুমিৎতা ধলাই দিষ্ট্রিক্টকী কমালপুরদা চৎখি। তৌইগুম্বসুং জর্নেলিষ্টশিংনা থৌরম অদুগী পাউ লৌবা লাকখিদে।

মীদিয়াদা চথুরকখিবা এটেক অমদা কেপিটেল অগরটালাদা ফোঙবা পাউচেলোগী মায়োক্তা লৈবা লমহেনবা মীওইশিংনা মাঙহন তাকহনখি।

অমা ওইরিবা প্রতিবাদি কমলগী কোপি ৬০০০ থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্তা উদয়পুরদা কমলপুর প্রেস ক্লবকী সেক্রেটরি সুপ্রিয়া দত্তনা ফোঙদোকখিবদা, ত্রিপুরাদা মীদিয়াদা এটেক তৌবগী থৌদোকশিং হেনগৎলক্লে। অসিগুম্বা এটেকশিং অসিবু য়ানীংদবা উৎতুনা জর্নেলিষ্টশিংনা চীফ মিনিষ্টরবু বোয়কোট তৌখিবনি। জর্নেলিষ্ট কয়ানা অগরটালদা লৈবা পুলিস হেদক্কার্টরসতসু চৎতুনা দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল, সাউদর্ন রেঞ্জগা উনখি।

মখোয়না দি আই জিদা করিগুম্বা পাউচেগী কোপি ময়াম মাঙহন তাকহনখিবদা চেন্নবা মরাল লৈরবা মীওইশিং অদু পুং ২৪গী মনুংদা ফাদবা তারবদি জর্নেলিষ্টশিংনা পুলিস হেদক্কার্টর মমাঙদা দেমোন্সত্রেসন পাঙথোক্লগনি হায়না খঙহনখি।

ত্রিপুরাগী অতোপ্পা পাউদা, ষ্টেট অসিগী এগ্রিকলচর সেক্টর চাওখৎহন্নবগীদমক্তা ইজরেলনা ফার্ম সেক্টরগা মরী লৈনবা ষ্টেট অসিগী মীওইশিংবু টেক্নোলোজিগী লম্দা মতেং পাংবগা লোয়ননা হোর্টিকলচর, ৱাটর মেনেজমেন্ট অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী লম্শিংদসু এক্সপর্টিসকা লোয়ননা মতেং পাংলগনি হায়রি।

# জেলদা ঈরাং থোকপদগী ইনমেট ৩ শিরে, ৬৪ শোক্লে

মনিলা, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী): ফিলিপিন্সকী মুন্টিনলুপা সিটিদা লৈবা ষ্টেট পেনিটেন্সরিদা ঙসি ঈরাং থোকপদগী য়ামদ্রবদা ইনমেট অহুম শিরে অমসুং অতৈ ৬৪না অশোক অপন নংলে হায়না ওথোরিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

ব্যুরো ওফ করেক্সন্স (বুকোর) না ফোঙদোকখিবদা অয়ূক পুং ৮.৩৯ তাবদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কল্লবা ন্যু বিলিবিদ প্রিজন কম্পাউন্দ মনুংদা ইনমেটশিংগী মরক্তা অমগা অমগা খৎন-চৈনবা অমদি ফুনবা হৌরকখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক হৌখ্রে।

জষ্টিস অন্দরসেক্রেটরি ইমেলিন ভিলারনা মীশি-মীনাশিংগী মশীং কনফর্ম তৌবগা লোয়ননা অশিবশিংগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী রাইওট অদু জেল অদুদা থা অমগী মনুংদা থোক্লকখিবা অনীশুবা খ্বাইদগী শাথীবা খৎন-চৈনবগী থৌদোকনি।

মমাঙদা হৌখিবা ওক্টোবর ৯দা জেল অসিদা থোকখিবা ঈরাং অদুদনা মীওই ৯ শিখি অদুগা অতৈ মীওই তরেৎনা অশোক অপন নংখি।

ইনমেট ৬,৪৩৫ লৈহন্নবা মওংদা দিজাইন তৌখিবা ন্যু বিলিবিদ প্রিজনদা হৌজিক পূন্না ইনমেট ২৮,৮৮৫ থল্লি। চিনবগী চাংচাদা ৩৪৯নি হায়বসি ওফিসল দেটানা উৎখি। ফিলিপিন্সকী জেলশিংদা ইনমেটশিং কা হেন্না চিন্না থম্বগী ফীভম অসি লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা উবা প্রোব্লেম অমা ওইরি।

# বিহারদা গ্রান্দ এলাইএন্সনা মায় পাক্লবদি সী এম ৩ পুথোকপা ইমুংশিংগী মনুংদা ২শুবা ইমুং ওইদুনা তেজাসৱিনা সী এম ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : ইন্দিয়াদা ইমুং অমগী মীওইশিংনা লৈঙাক পায়বগী মতাংদা দিবেট কয়া তৌনদুনা লাক্লবসু লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদা মপুথৌ-মপা মচা অহুম, মপা-মচানুপা অনী অমসুং মপা-মচানুপী অনীনা চীফ মিনিষ্টরশিং ওইদুনা লৈঙাক পায়খিবগী খুদম চাংদম কয়া ৱাৎতনা লৈরি। মতম অমগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা শৈইখ অব্দুলানা কয়ারক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইখি। মহাক্কী মতুংদা মচানুপা ফরুক অব্দুলানা কুমজা ১৯৮২দগী টর্ম কয়ারক অমুক চীফ মিনিষ্টর ওইখি। ফরুক অব্দুলাগী মতুংদা মহাক্কী মচানুপা ওমার অব্দুলানসু কুমজা ২০০৯দগী ২০১৫ ফাওবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখি। করিগুম্বা বিহার এসেমব্লিগী মীখলদা মায় পাক্তুনা পাৱর শিন্নরক্লবদি লালু প্রসাদকী ইমুংসু চীফ মিনিষ্টর অহুম পুথোকপা ইমুং ওইরগনি।

তেজাসৱি য়াদবকী অপোকপা লালু প্রসাদ অমসুং মহাক্কী মমা রাবরি দেবীনা কুমজা ১৯৯০দগী কুমজা ২০০৫ ফাওবা বিহারদা চীফ মিনিষ্টরশিং ওইনা পানখি।

মহৈরোয় লুচিংবা অমা ওইনা পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা লালু প্রসাদ কুমজা ১৯৯০দা পাৱর পায়রকখি অমসুং মহাক কুমজা ১৯৯৭ ফাওবা চীফ মিনিষ্টর ওইখি। মহাক শজিক্কী ৱাথোক্তা লিগেল প্রোব্লেম অমা মায়োক্লরকখিবা ওইরবসু মহাক্কী লোয়নবী রাবরি দেবীনা কুমজা ১৯৯৭তগী কুমজা ২০০৫ ফাওবা চীফ মিনিষ্টর ওইখি।

লালু প্রসাদ কুমজা ২০০৪দগী ২০০৯ ফাওবা লৈখিবা য়ু পি এগী অহানবা গভর্ণমেন্টতসু রেলৱে মিনিষ্টর ওইখি। মহাক শজিক ৱাথোক্কী কেস কয়াগা মরী লৈননা হৌজিক জেলদা লৈরিবনি।

কুমজা ২০১৫গী এসেমব্লি মীখল মতুংদা তেজাসৱি য়াদবপু ষ্টেট অসিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইহনখি। অদুম ওইনমক মহাক জনতা দল - য়ুনাইটেদকী চীফ অমসুং বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা গ্রান্দ এলাইএন্সকী পার্টনর ওইবা তোক্তুনা অমুক হন্না এন দি এগা এলাইএন্স শেমখিবদগী মফম থাদোকপা তাখি।

তেজাসৱি য়াদবকী মমাঙদা মপাগা মচানুপাগা অমসুং মপাগা মচানুপীগনা মথং মথং চীফ মিনিষ্টরশিং ওইদুনা পানখিবগী খুদম চাংদম কয়া লৈরি। সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা মুলায়ম সিংহ য়াদবনা কুমজা ১৯৮৯দগী কয়ারক হন্না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইখি। মহাক্কী মচানুপা অখিলেস য়াদবনসু ফম অসি কুমজা ২০১২দগী ২০১৭ ফাওবা পায়খি।

মপাগা মচানুপীগনা চীফ মিনিষ্টরশিং ওইখিবগী খুদম ওইনা মুফটি মহম্মদ সয়িদ অমসুং মহাক্কী মচানুপী মেহবুবা মুফটিনা হান্নগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা থংনা থংননা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা অসি পনবা য়াই।

বিহারগী মীখল অসিদা আর জে দিনা লুচিংবা গ্রান্দ এলাইএন্সনা চাউনা মায় পাক্লগনি হায়না এগজিট পোল

# এম এন এফতা য়াওখ্রে

আইজোল, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী): মিজোরামগী চাকমা দিষ্ট্রিক্টকী বি জে পিগী প্রসিদেন্ট প্রেমা রাঞ্জন চাকমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পার্টি অসিদগী তোক্লগা মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ) তা য়াওশিনখ্রে।

হান্নগী চাকমা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (সী এ দি সী) গী কাউন্সিলর অসিনা মফম থাদোকখিবা অসিনা ষ্টেট অসিগী বি জে পিদা চৈথেং চাউনা পীরি। মহাক্কী মমাঙদা পার্টিগী ফম অসি পায়রম্বগা লোয়ননা এম এল এসু ওইরম্বা এ বি চাকমানা হকশেলগা মরী লৈননা ফম থাদোকখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। সী এ দি সীগা মরী লৈনবা বি জে পিগী থৌরাংশিংদা মীয়াম্না নীংবা কায়নরে হায়না চাকমানা এম এন এফতা য়াওরবা মতুংদা ফোঙদোকখি।

ꯑꯣꯐꯔ/OFFER ꯑꯣꯐꯔ/OFFER
য়েন্নাও অমদা লুপা ৩০দা ফংবীগনি

লাক্লিবা নবেম্বরগী তাং ১৫ নোংমাইজিং নুমীৎতা য়েন্নাও Kuroiler অমদা লুপা ৩০দা ফংবীগনি। Farmer শিংনা advance booking তৌবীয়ু। মচা ২০০ শুনা লৌবীবা মীওইশিংনা whole sale rate তা লৈবীবগী খূদোংচাবা ফংবীগনি। থাংজ খূদিংগী য়েন মরুম অমদি ঙানু মরুম হাপচগনি। য়ুমশকৈশা খূদিংগী Japanese Quail মরুম হাপচগনি। নোংমাইজিং নুমীৎ খূদিংগী য়েন্নাও অমদি ঙানু মচা হোঙনা ফংবীগনি। ঙানু মরুমনা মেছিনদা হাপ্তুনা নীংথিনা ওলহনবা ঙম্বা মতম অসি October থাদগীনা March থা ফাওবদা কোকপা মরুমশিং অদুনি।

লেংশিনবীরকসি : EMOINU HATCHERY
Near Postal Colony, Eastern Ground Road,
Palace Compound, # 9436085117
HL-P/8011/10

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DC/DISTRICT ELECTION OFFICER: THOUBAL, MANIPUR**
**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Thoubal, the 9th November, 2020

**No.8/DC(DEO)/TBL/BYE-ELEC/2020/Counting:** In connection with the Counting of Votes on 10th November, 2020 in relation to Bye-Elections to Manipur Legislative Assembly in respect of 30-Lilong & 34-Wangjing Tentha ACs of Thoubal district, it is hereby notified for information of all concerned that in order to facilitate free passage of the counting officials and for effective maintenance of law and order during the Counting process, vehicles plying on NH-2 from **Imphal to Pallel side** and **Pallel to Imphal side** shall be diverted at **Yairipok Lamkhai** and **Wangbal** on NH-2 respectively w.e.f. **6.00 A.M. of 10/11/2020** till the Counting of Votes is over.

However, the above restrictions shall not apply to any vehicles carrying law enforcing agencies, Security personnel, Executive Magistrates, Officials and others authorized by the DC/District Election Officer, Thoubal.

**Sd/- N. Bandana Devi, IAS**
DC/District Election Officer, Thoubal

HL-B/6520/10

HL-P/7788/21/10-19/11

**TRANSLATING DRAFTING & EDITING AT WONDER WORD WEAVER**

1. Translating works in Manipuri into English.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing project-works for students.
4. Editing articles for newspaper, magazines, press, etc.
5. Drafting applications or representations.
6. Editing applications or representations.

*Authors, writers, journalists, reporters, research scholars and students can avail the above services at affordable prices.

For details please contact :
WONDER WORD WEAVER
8974642764
Or write to :
wonderwordweaver@gmail.com
phoenixrhymeschool@gmail.com

(HL-B/6513/8/11-6/12)

**MBBS AT ABROAD**
Since:2003
Admission Open 2020
ISO 9001:2015-QCS-2020-JREC-12453
Bangladesh, Kazakhstan, Kyrgystan, Russia, Phillipines, Ukraine
Free counselling for higher education ABROAD
MCI & NEXT Coaching Centre at IMPHAL
"Free Clinical Practices at JR Clinic Health Centre during Vacation"
INDIA/ MALAYASIA
NB: For Admission in China the NMC & Ministry of Education China has not published the list of Medical University for the session 2020/21.
MBBS, BDS, Nursing, B.Tech, B.Pharm, Management
JR Clinic Health Centre
Minuthong Hatta Telipati Road River Bank
Imphal, Manipur
JR International Education Consultant
(A.S.Education Trust)
Khergao Thambalkhong Near Cambridge School
Imphal, Manipur
#+91 8974084294/ 8787659341/8399087121 0385-3560172